**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-09.2024)**

**---**অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি--

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি কৌত্রুক্কী দ্রোন এটেকতা লৈখিদ্রবী ঙাংবম শুরবালাগী মীশিংগা মরী লৈননা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কমিতিগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

২) হয়েং ওজাগী নুমিৎনি, রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ওজাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৩) জনতা দল য়ুনাইতেদ, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি জনতা দল অসিগী কেন্দ্রগী লুচিংবশিংদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে।

৪) ভারত সরকার অমসুং এন.এস.সি.এন(কে) নিক্কি কাংলুপকা তৌনবা সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্ট চহি অমা শাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি মহারাস্ত্রগী লাতুর জিলাদা লৈবা উদগিরদা বিশ্ব শান্তি বুধ বিহারা হৌদোকখ্রে।

**------**

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি কৌক্রক্কী দ্রোন এটেকতা লৈখিদ্রবী ঙাংবম শুরবালাগী মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কমিতিগা মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা মীয়ামগী থম্মোয়দা ফাওরিবা পেন্দবা অমদি নুংঙাইতবশিং অদু সরকারনা খঙই। ৱাথোক অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা মতিক চাবা থবকশিং লৌখৎনবা সরকারনা চেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা কুকি মিলিটেন্টনি হায়না চিংনবশিংনা কৌক্রক্তা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা লান্দারকপদা ফয়েং ময়াই লৈকাইদগী ঙাংবম শুরবালা কৌক্রক্তা লৈখিদবনি।

টিচর্স ডে (এল)ঃ হয়েং লৈবাক শিনবা থুংনা ওজাগী নুমিৎ পালন পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ওজাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পারক্লি।

রাজ্যপালনা পীবা পাউজেল অমদা হায়- শকাইরবা ইজকেসনিষ্ট, স্কোলার অমসুং লৈবাক অসিগী রাষ্ট্রপতি ওইরম্বা ডাঃ এস. রাধাকৃষ্ণনবু নীংশিংদুনা চহি খুদিংগী ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মীপুম খুদিংমকা মহৈরোই ওইরিঙৈ মতমদা তানশিনহৌবা লৌশিং গ্যানশিংনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিবু মায়ওন চুন্নিবনি। গুরু-শিস্যা-পরম্পারাগী ৱাখল্লোনশিং স্কুল কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতিদা নিংথিনা চৎনহন্দুনা মহৈরোইশিংগী লৌশিং গ্যান হেনগৎহনগদবনি। মসিদা ওজাশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরিবা অসি ঐখোয়না খঙবীফম থোকই। ওজাশিংনা মখোয়গী কৎথোকপগা লোয়ননা মখা তানা মহৈরোইশিংবু তাকপী তান্বীবা ওইরনসু।

মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- ওজাশিংনা ঐখোয়দা পুন্সিগী শিন্থাশিং মায় পাকা পাঙথোকপা ঙমবা তাকপী তম্বীবতা নত্তনা অচুম অরানগী ৱারেপ লৌবদা লমজিংবীরি। ওজাশিংনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু মমায় চুম্বীদুনা মতিক চাবা নাগরিক অমমম ওইহ্লি। ওজাগী শিনফম অসি লৈবাক অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা চাউথোকচনিঙাই ওইরবা শিনফম অমনি। ওজাশিংগী কৎথোকপা অমসুং মথৌদা পুকিং চংববু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমজরি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা পীবা পাউজেলদা হায়- ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা ওজা পুমমক মশা মউ ফনা, ৱাখল লৌশিং চংখোন্না মহৈরোইশিংবু হেন্না মশেক মঙাল থোকহন্নবা লমজিং লমতাক পীবা ঙম্বা ওইরনসু।

রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা ওজাশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা পীবা পাউজেলদা হায়- ওজাশিংগী কৎথোকপা, খাঙবা কনবা, চোকথবা নাইদনা হোৎনদুনা মহৈরোইশিংদা লৌশিং গ্যান পীদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনরিবা থৌদাংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমজরি। ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকপগা লোয়ননা ওজাশিংনা তুংগী অফবা লুচিংবশিং পুথোকবা গ্যান লৌশিং লৈবশিং শেমগৎনবা অমদি অফবা অহোংবশিং পুরকবা মহৈরোইশিংবু তাকপী তম্বীবগী লমদা হেন্না পুকিং চংলশি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

মণিপুর পিপলস দেমোক্রেতিক ফ্রন্টনসু ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগনা শিন্দুনা ওজাশিংগী নুমিৎ পালন হয়েং- পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা খনগৎলবা ওজাশিংদা ষ্টেট টিচরস এৱার্দশিং য়েন্থোক্কনি।

তমেংলোং (এল)ঃ     তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং ঙসি মণিপুর হাই কোর্টকী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুল অমসুং রাজ্যগী লো এন্দ লেজিসলেতিভ এফ্যারস মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুৎথাংদা শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা লো এন্দ লেজিসলেতিভ এফ্যারস মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়- কোর্টকী বিল্ডিং অসি শাননবা ইং ২০১৫ গী ফেব্রুৱারি ১২ দা উরেপ উযুং তমখিবনি। অদুবু ফন্দগী অৱাৎপা লৈবদগী মতম শাংনা কোর্ট বিল্ডিং অসি লোইশিনবা ঙমদনা লৈরকখিবনি। তুংদা লুপা কোতি ৩১ লাখ ৮ চংনা বিল্ডিং অসি শাবা লোইশিনখিবনি। কোর্টকী বিল্ডিং অসি শাবা লোইরবনিনা মফম অসিদা জুদিসিয়ারিগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা চখদুনা তমেংলোংগী মীয়ামদা আইনগী তেংবাং অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

থৌরমদুদা তমেংলোংগী এম.এল.এ- জংহেমলুং পানমৈ অমসুং মণিপুর হাই কোর্টকী জজশিং য়াওনা আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

জে.এন.(এল)ঃ জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিগী দিরেক্তর পি.বিলাসনা হায়রি- মমাংগী চহিগা য়েংনবদা কুমশি চহিদনা একাদমি অসিদা মহৈরোইশিংনা মিং চল্লকপগী চাং হেনগৎলক্তুনা ৫০০ য়ৌখি। একাদমি অসিদা ঐখোয়গী নাৎ চৎনবীশিং য়োকখৎনবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা তকপী তম্বীরি। একাদমি অসিনা তৌনা পুথোকপা অনৌবা লান কৌবা প্রদক্সন অমসু ফোংদোকবা শেম শারি।

দিআইপিআর (এল)ঃ     ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সকী থাগী চেফোং- নোংশাবা ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্তর- ডাঃ টি.ঐচ. চরনজিৎনা ফোংখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ চরনজিৎনা হায়- দাইরেক্তোরেট অসিনা পাউমীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা বেষ্ট ইদিটর অমসুং

বেষ্ট রিপোর্টরনচিংবা খনদুনা নেসনেল প্রেস ডেগী নুমিৎতা চহি খুদিংগী মনা মথুম পীদুনা ইকায় খুমরি। থৌরম অদুদা সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি কে.এস.ঐচ. শান্তা অমসুং দি.আই.পি.আরগী জোইন্ট দিরেক্তর টি. রামেশ শরুক য়াখি।

বিশ্বজিৎ (এল)ঃ অনৌবা ওর্গানিক্কী পোত্থোকশিংগী আউটলেট অমা ঙসি চীংমৈরোংদা এগ্রিকলচর মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱাংখৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- থাংজম অরুনকুমার অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

সেনাপতি (এল)ঃ হৌখিবা মতম খরা অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী তোইনা চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

মণিপুরগী মরুওইবা লাইফ লাইন অমা ওইরিবা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী নাগালেন্দগী ফেরিমা য়াওনা মফম কয়াদা চীং নীংখায়দুনা নেসনেল হাইৱেগী শরুক্তা অমাং অতা থোকপদগী লম্বী অসিদা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে হায়রি। চীং নিংখায়বগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ৬ শুরে।

জেদিয়ু (এল)ঃ জনতা দল য়ুনাইতেদ, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী মন্ত্রি ক্ষেত্রিমযুম বিরেন্না লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি জনতা দল য়ুনাইতেদকী লুচিংবা শঞ্জয় ঝাগা নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা জে.দি.য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী মাইকৈদগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা ওইথোকপা য়াবা সজেসন কয়া দল অসিগী নেসনেল লিদরশিংদা ফোংদোকখি। দল অসিগী লুচিংবশিংনসু অথুবা মতমদা প্রধান মন্ত্রিগা উন্ননবা

এপ্পোইন্টমেন্ট লৌননবা হোৎনরগে। উন্নবা অদুদা জে.দি.য়ুগী নেসনেল লিদরশিং অমসুং মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী মীহুৎশিং য়াওদুনা প্রধান মন্ত্রিদা ৱাথোক অসি থুনা লোইশিনবীনবা তকশিনমিন্নশি হায়না ফোংদোরকখি হায়রি।

ফোক্স (এল)ঃ জিরিবামগী বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা জাকুরাধোর বজার মনাক্তা লৈবা মীওই অমগী য়ুম মৈ থাদোক্লম্বগী থৌওংবু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেন্স (ফোক্স)না য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মফম অদুবু ঙাকশেল্লিবা সেন্ত্রেল পেরা-মিলিটরি ফোর্সশিং লৈনা লৈনা অসিগুম্বা থৌওং চথখিবা অসি য়ামা লাইবক থীবনি। জিরিবামদা থোকপা থৌদোকশিংদা সেক্যুরিতি এদভাইজরনা মতম চানা মীৎয়েং চংহন্নিংবগী অপাম্বসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

জিরিবামগী জাকুরাধোর ভিলেজদা থবক্তগী পোত্থারবা পুলিস ওফিসার অমগী ময়ুম মৈনা থাদোক্লম্বগী থৌওংবু জিরি অপুনবা লুপনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। অথুবা মতমদা মরাল লৈবশিং ফাদুনা চৈরাক পীনবসু তকশিল্লি।

আইতুক (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৌত্রুক অমসুং কদাংবন্দদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা থা অসিগী ১ দা দ্রোন শিজিন্নদুনা নোংথক্তগী বোম থারক্তুনা মীশি মীনা থোকহনখিবা থৌওং অদুবু ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কমিতিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ৱাথোক অসিগী মতাংদা নিংথিনা থিগৎতুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি। চীংখোঙ চীংয়াদা লৈরিবা মীতৈ খুলশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্স মতিক চানা থমদুনা নিংথিনা ঙাক শেন্নবসু চেরোল অসিনা তকশিল্লি।

মীফম (এল)ঃ  নিংথৌখোং প্রোটেক্সন কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি নিংথৌখোং বজারদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা দ্রোনদগী বোম থাদরকপা য়াওনা অনৌবা লান্দা কয়া চখ্খরক্লিবা অসিবু কুপা নৈনবগা লোয়ননা মসিদা মীয়ামা লৌগদবা ফিরেপশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা কৌব্রুক্তা চখ্খরকখিবা তমথিরবা তেরোরিষ্টকী থৌওং অদুবু থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অপুনবা লুপ (তকদাল)না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ৱাকৎ (এল)ঃ  জিরিবামগী নিংশিং খুলদা ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি অৱাৎ অপা কয়া লৈবদগী খোইশাওনরবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মোনিটরিং কমিতিগী মীহুৎশিংনা ঙসিদগী থোঙ লোনশিনখ্রে। কয়ারক হন্না হোস্পিতাল অসিগী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনবীনবা হায়জবদা তাবীদবদগী খোঙজং অসি চংশিল্লকখিবনি।

লাংবম (এল)ঃ  লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা লৈখিদবা অথৌবশিংগী লাংবন চরা তম্বগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

কেম্প (এল)ঃ  ইম্ফালগী থঙ্গাল বজারদা লৈবা কালিবারি কম্যুনিতি হোলদা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। স্পেসিয়েল আউটরিটচ হেলথ কেম্পকী মখাদা অরবান প্রাইমারি হেলথ সেন্তর লাঙ্গোল তরুংনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্প অদুদা ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম থঙ্গাল কৈথেলগী মেম্বরশিং য়াওনা পুন্না মীওই ১২০ লোম লায়েংখি।

বিরমঙ্গোল (এল)ঃ শেলগী দিমান্দ তৌরকপগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা বিরমঙ্গোল কলেজ শওম্বুংদা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা কলেজ অসিগী ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

কেভিকে (এল)ঃ অন্দ্রোদা লৈবা ইম্ফাল ইষ্ট কে.ভি.কেগী কনফরেন্স হোলদা নেসনেল ন্যুত্রিসন মন্থ- পোসান মাহগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজবগী মতাংদা মচা খায়না ৱা ঙাংখি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংদা উ চারা অমদি য়েন্সাং নাপী ওইনা শিজিন্নবা পাম্বীশিংগী মরুশিংসু য়েন্থোকখি।

ওরিয়েন্তেসন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিত ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা য়ুনিভর্সিলাইজেসন ওফ প্রি-সি.বি.ও কনবরজেন্সকী মতাংদা জিলা থাক্কী ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দ য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সনাতোম্বী (এল)ঃ আর.কে. সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়াগী ২০২৩ অমসুং ২০২৪ গী বেষ্ট ষ্টুদেন্টসকী গভর্নরস এৱার্দ ফংগদবশিংগী মিং লাউথোক্লে।

স্কুল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইং ২০২৪ গী ওইনা ওজা, নর্স, ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জল, জরনেলিষ্ট অমসুং স্পোর্টসকী লমদা স্বিম্মিং, বোক্সিং অমদি ৱেথ লিফটিংদা আর.কে. সনাতোম্বী দেবী এৱার্দ পীগদবশিংগী মিংসু লাউথোক্লে।

শওম্বুং (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী শওম্বুং বজারগী অকোইবদা ঙসি লম-তু শেংবা অমসুং কাঙ হিদাক কাপথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু

শওম্বুং ষ্টুদেন্টস ক্লব অমসুং শওম্বুং মৈরা পায়বীনা পুন্না শিনবনি।

বুক (এল)ঃ লাইরিক্কী মেলা অমা ঙরাংদগী মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিদা হৌখ্রে। মেলা অসি হয়েং ফাওবা চত্থগনি।

ভিদিএফ (এল)ঃ ভি.দি.এফকী অশোকপা পার্সোনেল অহুমদা তেংবাং পীবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুরগী এদ্দিসনেল এস.পি. (লো এন্দ ওর্দর)গী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিনবনি।

পেন্তিং (এল)ঃ থৌবালগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্তিং হোলদা ঙসি মহৈরোইশিংগী লাইয়েকপা চাংদমবা অমা পাঙথোকখ্রে। চাংদমবা অদু দিজাষ্টর এৱারনেস এন্দ প্রিপয়ার্দনেস হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা বেরহামপোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা নুপীগী নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা তামিলনাদুবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখ্রে।

সিজ ফয়ার ঃ ভারত সরকার অমসুং নেসনেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (কে) নিক্কি কাংলুপকা তৌনবা সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্ট থা অসিগী ৮ দগী হৌরগা মখা তানা চহি অমা শাংদোকপা হায়না য়ান্নখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি নিউ দিল্লিদা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা সিজ ফয়ার শাংদোকপগী য়ান্নচে অমা এন.এস.সি.এন(কে) নিক্কি কাংলুপকী মকোক থোংবা মীওই অনিগা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী এদ্দিসনেল সেক্রেতরিগা সহি তৌনখ্রে। মাইকৈ অনিমকা নোংমৈ কাপদবগী গ্রাউন্দ রুলশিং নিংথিনা ঙাক্লুনা চৎননবসু য়ান্নখি।

মুরমু ঃ  রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি মহারাস্ত্রগী লাতুর জিলাদা লৈবা উদগিরদা বিশ্ব শান্তি বুধ বিহারা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহারাস্ত্রগী রাজ্যপাল-সি.পি. রাধাকৃষ্ণনন, মুখ্য মন্ত্রি-একনাথ সিন্ধে, কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রামদাস অথাৱালে অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং-দেবেন্দ্র ফরনাবিস অমদি অজিৎ পৱার শরুক য়াখি।

উদয়াগীরি কলেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাস্ত্রপতিনা সাসন অপালিয়া দারি অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মাঝি লরকি বহিন য়োজনাগী কান্নবা ফংলবা মীওইশিংগসু উন্নখি। রাস্ত্রপতিনা নন্দেদতা লৈবা তখ সসখান শ্রী হুজর় সাহিব গুরুদুৱারাদসু চৎখি। রাস্ত্রপতি মুরমু নিংথোকাবা নুমিৎতগী হৌনা নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা মহারাস্ত্রাদা লৈরি।

------